# চীফ মিনিষ্টর ঐচ দি কুমারস্বামীনা লুচিংবা লৈঙাক্তা অনৌবা মিনিষ্টর অনী হাপচিনখ্রে



বেঙ্গলুরু, জুন ১৪ (এজেন্সী): কর্নাটাকাগী চীফ মিনিষ্টর ঐচ দি কুমারস্বামীনা লুচিংবা লৈঙাক্তা ইনিদপেন্দেন্ট এম এল এ অনী মিনিষ্টর ওইনা হাপচিনখিবগা লোয়নননা থা ১৩শুরবা মিনিষ্ট্রি চাওথোকহনখ্রে।

ইন্দিপেন্দেন্ট এম এল এ আর সঙ্কর অমদি ঐচ নাগেসপু রাজ ভবনদা ঙসি গভর্ণর বাজুবাই বালানা থবক পায়বা অমদি অরোনবা ঙাকপগী ৱাশক লৌখি। কুমারস্বামীনা অহানবা লৈঙাক পায়রকপদা সঙ্করসু মিনিষ্টর অমা ওইখি। অদুম ওইনমক মমাঙ চহীগী দিসেম্বরদা মিনিষ্ট্রি রিসফল তৌবদা লৌথোকখিবনি।

সঙ্কর অমদি নাগেসনা বি জে পিগী মায়কৈদা লেপ্তুনা লৈঙাক শৌগৎপা তোক্লে হায়না গভর্ণরদা অইবা চেরোল অমা পীশিনখি। বি জে পিনা লৈঙাক ইন্থুনবা হোৎনবদা মায় পাকপা ঙমখিদ্রবা মতুংদা এম এল এ অনীনা অমুক হন্না কোংগ্রেসকী লৈঙাক্তা শৌগৎলকখিবনি।

কর্নাটাকাদা হৌজিক ওইরক্লিবা ফিভম অসিগী মতাংদা পোলিটিকেল এনালিষ্ট মহাদেব প্রসাদনা হায়খি, কোংগ্রেসনা লুচিংবা লৈঙাক্লা ইনিদপেন্দেন্ট এম এল এ অনী কনখৎনবা হোৎনবদা কোলিএসনগী এম এল এ ২০ হেন্না খোইশাওনবা পোকহনবগী ফিভমদা লৈরে।

মরু ওইনা কোংগ্রেসকী এম এল এশিং খোইশাওনবা পোক্তুনা লৈঙাক্কী মায়োক্তা থবক থৌরম কয়া লৌখৎলকপা য়াই। ইনিদপেন্দেন্ট এম এল এ অনী মিনিষ্টর ওইহনখিবগী থৌওং য়ানিংদবা ফোঙদোক্লিবা কোংগ্রেসকী এম এল এশিং থেমজিল্লদুনা চীফ মিনিষ্টর ঐচ দি কুমারস্বামীনা হায়খি মদুদি, অথুবা মতমদা নৌনা অমুক মিনিষ্ট্রি রিসফল তৌদুনা কোংগ্রেসকী এম এল এ খরা মিনিষ্টর ওইহন্নবা থৌরাং লৌখৎকনি।

মশক মমিং তাকথোক্লিংদবা কোংগ্রেসকী লুচিংবা অমনা এজেন্সিদা হায়খি মদুদি, অসিগুম্বা মখলগী ওইরোইদবা ৱাফম কয়া ফোঙদোক্তুনা থেমজিনবগী মওং মমাঙদসু কয়ারক হন্না চথবা লৈখ্রে। অথুবা মতমদা কোংগ্রেসকী এম এল এশিং মিনিষ্টর ওইনা ৱাশক লৌহনগদবনি হায়নসু লুচিংবা অদুনা ফোঙদোকখি।

কোংগ্রেস অমসুং জে দি এসকা পুল্লগা শেম্লিবা লৈঙাক অসিদা চাওনা উংখৎনবগী ফিভম লাক্লবদা জেদি এসকী ফংফম থোকপা মিনিষ্টর মশিংদগী কোংগ্রেসতা অমা পীদুনা ৱাথোক লোইশিন্নবা হোৎনগদৌরি।

জে দি এসকী লুচিংবা ঐচ দি দেবেগৌদানা হন্দক কোংগ্রেস প্রসিদেন্ট রাহুল গান্ধি উনদুনা কোংগ্রেসকী এম এল এশিং থেমজিন্নবা খঙহনখি। অদুম ওইনমক কোংগ্রেসকী লুচিংবা কয়ানা চুংশিন্নবা লৈঙাক্কী মায়োক্তা ইফোঙ ফোঙনা ৱাফম কয়া ফোদোকখি।

নাকল অমরোমদা বি জে পিনা খুদোংচাবা তাঞ্জা য়েংলগা ষ্টেট অসিদা লৈঙাক শেম্নবা ক্লেম তৌগনি হায়রি। পুন্না সিট ২২৫ লৈবা কর্নাটাকা লেজিসলেটিব এসেমব্লীদা বি জে পিগী এম এল এ ১০৪ লৈরি। কোংগ্রেস অমসুং জে দি এসকী অপুনবা এম এল এ মশিংনা ১১৭নি।

# নিতি আয়োগকী মীফম মমাঙদা কমলনাথনা কোংগ্রেসকী চীফ মিনিষ্টরশিংগা উনখ্রে



ন্যু দিল্লি, জুন ১৪ (এজেন্সী): হয়েং পাঙথোক্কদৌরিবা নিতি আয়োগকী মীফম মাংওইননা মধ্যা প্রদেশকী চীফ মিনিষ্টর কমলনাথনা হৌজিক হৌজিক কোংগ্রেসনা লৈঙাকপা ষ্টেটশিংগী চীফ মিনিষ্টরশিং অমসুং পার্টিগী মকোক থোংবা লুচিংবশিংগা উনখ্রে।

ন্যু দিল্লিদা চাকলেন য়াওনা পাঙথোকখিবা মীফম অদুদা চীফ মিনিষ্টর কেপ্টেন অমরিন্দর সিংহ, ভুপেস বঘেল, ভি নরায়নাসামী অমসুং অসোক গেহলোট শরুক য়াখি। কোংগ্রেসকী অতৈ অতোপ্পা লুচিংবা কয়াসু মীফম অদুদা শরুক য়াখি হায়রি।

মীফম অদুদা মরু ওইনা খন্নখিবা ৱাফমদি নিতি আয়োগকী মীফমদা কোংগ্রেসনা প্রাইম মিনিষ্টরদা পুখৎকদবা ৱাফমশিংগী মতাংদনি। মরু ওইনা লৈবাক্কী তোঙান-তোঙানবা মফম কয়াদা লৌমীশিংনা থেংনরিবা খুদোংচাদবশিংগী মতাংদা মীফম অদুনা কুপ্পা খন্নখি।

লৌমীশিংগী ৱাফম অসিমক কোংগ্রেসকী চীফ মিনিষ্টরশিংনা নিতি আয়োগকী মীফমদা পুখৎনবা থৌরাং তৌরি। কোংগ্রেসনা লৈঙাকপা মধ্যা প্রদেশ, ছটিসগর অমসুং রাজস্থানদা লৈঙাক্লা লৌমীশিংগী লোন কোকপীনবা থৌরাং লৌখৎপা লৈখ্রবনি।

চৈরকসিদা টেলঙ্গনাগী চীফ মিনিষ্টর কে চন্দ্রসেখর রাওনা হয়েং পাঙথোক্কদৌরিবা নিতি আয়োগকী মীফমদা শরুক য়ারোইদবগী ফিভমদা লৈরে। জুন ১৫দা প্রাইম মিনিষ্টরনা রাষ্ট্রপতি ভবনদা নিতি আয়োগকী ৫রক শুবা গর্ভনিং কান্সিলগী মীফম পাঙথোক্লবা মতম লেপখ্রবনি। গভর্নিং কাউন্সিলগী মীফমনা মমাঙগী মীফমদা ৱারেপশিং থবক্তা ওন্থোকপা ঙম্লব্রা হায়বদু কুপ্না য়েংশিনগদৌরি।

কে চন্দ্রাসেখর রাওগী ওইনদি ষ্টেটকী মরু ওইবা মীফম কয়ামরুম য়াওগদবা লৈবনা হয়েং পাঙথোক্কদৌরিবা নিতি আয়োগকী মীফমদা শরুক য়াবা ঙম্লোইদৌরি।

রাষ্ট্রপতিভবনদা পাঙথোক্কদৌরবা নিতি আয়োগকী ৫শুবা গভর্নিং কাউন্সিলগী মীফমদা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা ময়াই তাংবল লৌগনি। দিফেন্স মিনিষ্টর, হোম এফ্যের্স মিনিষ্টর, ফাইনান্স এন্দ কোর্পোরেট এফ্যের্স মিনিষ্টর, এগ্রিকলচর এন্দ ফার্মস ৱেলফিয়র মিনিষ্টর অমসুং রুরেল দিভলপমেন্ট পঞ্চায়েটি রাজগী মিনিষ্টরশিংসু মীফম অদুদা শরুক য়াগনি হায়রি।

স্পেসল ইনভাইটি ওইনা শরুক য়াগদবশিংদি নেসনল সিক্যুরিটি এদভাইজর, কঞ্জুম্মর এফ্যের্স, ফুদ এন্দ পব্লিক দিষ্ট্রিব্যুসন মিনিষ্টর, এনিমেল হজবেন্দরি, দাইরি এন্দ ফিসরিজ মিনিষ্টরনি।

হৌজিক ফাওবদা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা চেয়রমেন ওইরগা মরিরক হন্না নিতি আয়োগকী মীফম পাঙথোকপা লৈখ্রে। মীফম অদুদা ষ্টেট অমদি য়ুনিয়ন টেরিটোরি পুন্নমক্কী চীফ মিনিষ্টরশিং শরুক য়াখি। হয়েং পাঙথোক্কদৌরিবা গভর্নিং কাউন্সিলগী ৫ শুবা মীফমদা মপুং ওইনা খন্নগদৌরিবা ৱাফমশিংগী মনুংদা রেন ৱাটর হার্বেষ্টিংগী ৱাফম য়াওরি।

# কাউন্সেল্লিংদগী লুপা ক্রোর ১৫.৫০ ফংখ্রে

ভোপাল, জুন ১৪ (এজেন্সী): নেসনল ইলিজিব্লিটি কম ইনত্রান্স টেষ্ট (এন ই ই টি)গী কাউন্সেল্লিং তৌবদা সেন্ত্রেল গভর্ণমেন্টনা কুমজা ২০১৮-১৯দা লুপা ক্রোর ১৫.৫০ ফংবা ঙমখ্রে।

লৈবাক্কী তোঙান-তোঙানবা মফমদা লৈবা মেদিকেল কোলেজশিংদা এম বি বি এস, বি দি এস অমসুং অতৈ মেদিকেল কোর্স তম্নবগীদমক মহৈরোইশিংনা এন ই ই টি পাস তৌবা মথৌ তাই। অইবা চাংয়েংদা পাস তৌরবা মহৈরোইশিংবু মেদিকেল কাউন্সেল্লিং কম্মিতি (এম সি সি)না কাউন্সেল্লিংগীদমক কৌই। মহৈরোইশিং কাউন্সেল্লিং তৌবগী ফি লুপা ১০০০নি।

মহৈরোই ১১৪,১৯৮ কাউন্সেল্লিংদা শরুক য়াখিবা মরম্না পুন্না লুপা ১৮,৩২,৮৭,৫০০ য়ুনিয়ন হেল্থ মিনিষ্ট্রিনা খোমগৎপা ঙমখি। হায়রিব শেনফম অসিগী মনুংদা লুপা ২,৭৬,৭৮,৬১৪ কাউন্সেল্লিং তৌবদা শীজিন্নখ্রে। লেমহৌবা লুপা ক্রোর ১৫.৫০ সেন্ত্রেল গভর্ণমেন্টনা ফংবা ঙমখি হায়বা আর টি আইগী এপ্লিকেসন থারকপদগী খঙবা ঙমখিবনি।

# ৱেষ্ট বেঙ্গলগী ডাক্তরশিং শৌগৎতুনা ইন্দিয়াগী মফম কয়াদা ডাক্তরশিংনা থবক লেপ্পগী খোঙজং চঙশিনখ্রে

কোলকতা, জুন ১৪ (এজেন্সী): চয়োল অসিগী হৌগৎলকপদা কোলকতাগী ডাক্তরশিংনা খোঙজং চঙশিনবা হৌখ্রবা মতুংদা ইন্দিয়াগী অতৈ অতোপ্পা মফম কয়াদসু ৱেষ্ট বেঙ্গলগী ডাক্তরশিংবু শৌগৎতুনা থবক লেপ্পগী খোঙজং চঙশিনখ্রে।

নুমিৎ ৪ চুপ্পা ৱেষ্ট বেঙ্গলদা অনা লায়েংগী থবক থৌরম মপুং ফানা পায়খৎপা ঙমখিদ্রবা মতুংদা দিল্লি, মুম্বাই অমদি ইন্দিয়াগী অতৈ সিটিশিংদসু ডাক্তরশিংনা খোঙজং চঙশিল্লকখ্রে।




লৈবাক্কী কোনুং দিল্লিদা লৈরিবা এইমস হোস্পিটালগী ডাক্তরশিংনা থবক লেপ্পগী খোঙজং চঙশিনখিবা মরম্না মীয়ামদা চাওনা খুদোংচাদবা মায়োক্লহনখি। রাইপুর, পটনা, পঞ্জাব, কেরলা অমদি হায়দ্রবদাতসু রেসিদেন্ট ডাক্তরশিংনা থবক লেপ্পগী খোঙজং চঙশিনখি।

মহারাষ্ট্রা এসোসিয়েসন ওফ রেসিদেন্ট ডাক্তর্স (এম এ আর দি)গী মেম্বর ৪,৫০০ রোমনা মতম অমুক্তদা ঙসি লৈঙাক্কী হোস্পিটাল ২৬তা অনাবা লায়েংবগী থবক তৌখিদবা মরম্না মীয়ামদা খুদোংচাদবা মায়োক্লহনখি।

এম এ আর দিগী জেনরেল সেক্রেটরী দিপক মুন্দেনা এজেন্সিদা হায়খি মদুদি অয়ুক পুং ৮দগী নুমিদাংৱাইরম পুং ৫ ফাওবা ডাক্তরশিংনা খোঙজং চঙশিনখি। মশিং য়াম্লবা ডাক্তরশিংনা কে ই এম হোস্পিটাল মমাঙদা পুন্দুনা কোলকতাদা খোঙজং চঙশিল্লিবা ডাক্তরশিংদা সোলিদরিটি উৎখি। চপ মান্নবা মওংদা এম এ আর দিগী মেম্বরশিংনা পুনে, ঔরঙ্গবাদ অমদি নাগপুরদা থবক লেপ্পগী খোঙজং চঙশিনখি। লৈবাক্কী কোনুং দিল্লিদসু ঙসি তোঙান-তোঙানবা গভর্ণমেন্ট হোস্পিটালদা সেনিয়র রেসিদেন্ট অমদি জুনিয়র রেসিদেন্ট ডাক্তরশিংনা নোংমগী ওইবা থবক লেপ্পগী খোঙজং চঙশিনখি।

ওল ইন্দিয়া ইন্সটিট্যুট ওফ মেদিকেল সাইন্সেস (এইমস)তা ইমর্জেন্সি সার্ভিস নত্তনা আউট পেসেন্ট দিপার্টমেন্ট অমদি ওপরেসন থিয়েটরগী সার্ভিস লেপ্তুনা খোঙজং চঙশিনখি। এইমস অমদি সফদরজং হোস্পিটালগী রেসিদেন্ট ডাক্তরশিংনা কোকথক্তা বেন্দেজ পুদুনা নীংশিংনিংঙাই ওইবা মওংদা খোঙজং চঙশিনখি।

বেঙ্গলদা অনাবগী থৌগল তৌবা লাকপা কাংবুনা ডাক্তরশিং ফুখিবগী থৌওংবু য়ানিংদবা ফোঙদোক্লদুনা এইমস রেসিদেন্ট ডাক্তর্স এসোসিয়েসননা হায়খি মদুদি অনা লায়েংগী শীনফমদা লৈরিবা ডাক্তরশিং ফুখিবগী মায়োক্তা লৈবাক্কী মফম শীনবা থুংনা খোঙজং চঙশিন্নবা থৌরাং তৌরি।

# বিহারদা একুট এন্সেফলাইটিস সিন্দ্রোমনা মরম ওইরগা শীখিবা মীওই ৬৭ শুখ্রে

মুজাফরপুর, জুন ১৪ (এজেন্সী): বিহারগী মুজাফরপুরদা হৌখিবা চায়োল অনীগী মতুংদা একুট এন্সেফলাইটিস সিন্দ্রোম (এ ই এস)না মরম ওইরগা শীখিবা অঙাং ৬৭ শুরে হায়না ষ্টেটকী হেল্থ দিপার্টমেন্টনা ঙসি ফোঙদোকখ্রে।



লৈখিদ্রবা অঙাংশিং অসিগী মনুংদা শ্রীকৃষ্ণ মেদিকেল কোলেজ এন্দ হোস্পিটালদা অঙাং ৫২ অমসুং কেজ্রিৱাল হোস্পিটালদা অঙাং ১৫ শীখি।

বিহারগী হেল্থ মিনিষ্টর মঙ্গল পান্দেনা এজেন্সিদা হায়খি মদুদি, লৈঙাক্লা হৌজিক ওইরক্লিবা ফিভম অসি কুপ্না য়েংশিল্লি। হেল্থ মিনিষ্ট্রিনা হিরম অসিগী মতাংদা অখন্নবা মীফম অমা পাঙথোকখিবগা লোয়নননা মীপুম খুদিংমক এন্সেফলাইটিসকী মরমদা মমুৎতানা খঙহন্নবা হোৎনরি হায়না মিনিষ্টরনা মখা তানা ফোঙদোকখি।

মহাক্লা হায়খি, প্রোফেসর অমা, এসোসিয়েট প্রোফেসর অহুম, এসিষ্টেন্ট প্রোফেসর মরি, সেনিয়র রেসিদেন্ট মাপল অমসুং জুনিয়র রেসিদেন্টতরামঙানা শাবা টিম অমনা অনাবা অঙাংশিংগী ফিভম কুপ্না য়েংশিল্লি। হোস্পিটালদা অহেনবা ফমুং থাদুনা অঙাংশিং লায়েংবা হোৎনরি।

হায়পোগ্লাইসেমিয়া, দিসেলেক্ট্রোলাইটেমিয়া, চীকন পোক্স, জপানিস এন্সেফলাইটিসনচিংবা লায়নাশিংবু একুট এন্সেফলাইটিস সিন্দ্রোম হায়না খঙনৈ। ভাইরেল ইনফেক্সন অসিনা অয়াম্বা মতমদা মশাগী চহী ১৫ শুদ্রিবা অঙাংশিংদা নাবা থেংনৈ।

# উট্টর প্রদেশতা উফুল য়াওবা অকনবা নোংলৈ-নুংশিৎ শীৎলকপদা মীওই ১৩ শীখ্রে

লখনৌ, জুন ১৪ (এজেন্সী): উট্টর প্রদেশতা উফুল য়াওবা অকনবা নোংলৈ নুংশিৎনা মরম ওইরগা মীওই ১৩ শীরে হায়না ষ্টেট রিলিফ কম্মিস্নরনা ঙসি ফোঙদোকখ্রে।

ষ্টেট রিলিফ কম্মিস্নর জি এস প্রিয়াদর্সিনা এজেন্সিদা হায়খি, খ্বাইদগী ফিভম শোক্লবা সিদার্থনগর দিষ্ট্রিক্টতা মীওই ৪ শীখি। দিওরিয়াদা মীওই ৩ অমসুং বালিয়া দিষ্ট্রিক্টতনা মীওই ২ শীখি। ষ্টেটকী তোঙান-তোঙানবা মফম কয়াদা অকনবা নুংশিৎ শীৎলকপা মরম ওইরগা মীওই অমসু অশোক অপন নংহনখিবগা লোয়নননা য়ুম ৯৩ মাং তাকহনখি।

অয়োধ্যা, লখিম্পুর খিরি, কুসিনগর অমসুং সোনভদ্রাদা মীওই অমমম শীখিবগী রিপোর্ট ফংলে হায়না ওফিসল অমনা ফোঙদোকখি।

হৌখিবা য়ুমশকৈশা নুমিৎতসু উট্টর প্রদেশকী তোঙান-তোঙানবা দিষ্ট্রিক্ট কয়াদা উফুল য়াওবা নোংলৈ-নুংশিৎ শীৎলকপা লৈখ্রবনি। মীওই ১৩ লৈখিদবগী মতাংদা চীফ মিনিষ্টর যোগ্রি অদিত্যনাথনা অৱাবা ফোঙদোকখ্রে।

ষ্টেটমেন্ট অমদা চীফ মিনিষ্টরনা হায়খি, মরী লৈনবা দিষ্ট্রিক্ট মাজিষ্ট্রেটনা খুদক্তগা তেঙবাংগী পোৎলম য়েন্থোকপগা লোয়নননা লৈখিদ্রবশিংগী ইমুং মনুংদা লুপা লাখ ৪ পীনবা থৌরাং লৌখৎকদবনি।

# জে দি য়ুগী স্পোক্সমেন অজয় জেন ফম থাদোকখ্রে



পটনা, জুন ১৪ (এজেন্সী): জনটা দল য়ুনাইটেদ (জে দি য়ু)গী লুচিংবা অজয় অলোকনা পার্টি অসিগী স্পোক্সপার্সনগী ফম থাদোক্লে হায়না ফোঙদোকখ্রে।

বিহারগী চীফ মিনিষ্টর নিতিস কুমারগী থবক থৌরমদা অপনবা থোকহন্দনবগী পান্দমদা ফম থাদোক্লবা ফিরেপ লৌখিবনি হায়রি।

মহাক্লা পার্টি অসিগী ষ্টেট য়ুনিটকী প্রসিদেন্ট বাসিস্তা নরায়ন সিংহদা ফম থাদোকপগী চেরোল পীশিনখি। স্পোক্সমেন অমা ওইবগী থবক থৌরম মপুং ফানা পাঙথোকপা ঙমদবা মরম্না ফম থাদোক্লবগী ফিরেপ লৌখিবনি হায়না জে দি য়ুগী লুচিংবা অসিনা ত্বিটরদা থাদোরকপা ৱারোল অমনা ফোঙদোকখি।

হৌজিক ফাওবগী ওইনা চপ চাবা মরম খঙবা ঙমদ্রবসু ৱেষ্ট বেঙ্গলগী চীফ মিনিষ্টর মমতা বেনর্জিদা অকনবা ৱাফম ফোঙদোক্লুবগীদমক অলোকনা স্পোক্সপার্সনগী ফম থাদোকপা ওইরম্বা য়াই হায়না থাজনরি। জে দি য়ুনা বিহার নত্তবা অতোপ্পা ষ্টেট ৪দা মীরেপ থাদোকপগী মতাংদা মমতা বেনর্জিনা ফোঙদোকখিবা ৱাফম অমগা মরী লৈননা অলোকনা ৱেষ্ট বেঙ্গলগী চীফ মিনিষ্টরবু থাগৎপা ফোঙদোকখিবনি।

ফম থাদোক্লবা মতুং পুং ২৪গী মনুংদা অলোকনা ত্বিটরদা থাদোরকপা ৱারোল অমনা হায়খি, সেন্টরদা পাল্লিবা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা লুচিংবা লৈঙাক্লা ইলিগেল ইমিগ্রেসনগী ৱাথোক অথুবা মতমদা লোইশিন্নবা থৌরাং লৌখৎকদবনি। ঙমখৈ ঙাক্লিবা লাম্মীশিংগী মরল মথুম চেক তৌগদবনি হায়নসু মহাক্লা ফোঙদোকখি।

# ঝরখন্দদা পুলিস পার্সনল ৫ শীরে, পুলৱামাদনা লাস্কর-ঈ-তোইবগী মিলিটেন্ট ২ শীখ্রে

ন্যু দিল্লি, জুন ১৪ (এজেন্সী): ঝরখন্দগী জমসেটপুর মনাক্তা মাওইষ্ট লালহৌবশিংনা এটেক চথুরকপদা পুলিস পার্সনল ৫ শীরে।

জমসেটপুরদগী কিলোমিটর ৬০ লাপ্পা লৈবা সরাইকেলা দিষ্ট্রিক্টকী কৈথেল অমদা পুলিস পার্সনলশিংনা ঙসি নুমিদাংৱাইরম পেট্রোলিং চৎলিঙৈদা লালহৌবশিংনা এটেক চথুরকখিবনি।

ৱেষ্ট বেঙ্গল অমদি ঝরখন্দগা লোন্নবা ঙমখৈ মনাক্তা থোকখিবা থৌদোক অদু থোকখ্রবা মতুংদা মাওইষ্ট লালহৌবশিংনা খুৎলায় ২ পুরগা চেনখ্রে। খুদক্তা সুপিরন্টেন্দেন্ট ওফ পুলিস য়াওনা মকোক থোংবা ওফিসলশিং থুংলখিবগা লোয়নননা চেন্নবা মীওইশিং ফানবা থৌরাং লৌখৎপা হৌখি।

ঝরখন্দগী চীফ মিনিষ্টর রঘুবার দাসনা থৌদোক অদুবু অকনবা মওংদা য়ানিংদবা ফোঙদোকখিবগা লোয়নননা পুলিস পার্সনল ৫ থৱায় থাখিবগী থৌওং অদু অরেম্বদা তাহল্লোই হায়না ফোঙদোকখি।

অমরোমদা, জম্মু এন্দ কাস্মিরগী পুলৱামা দিষ্ট্রিক্টতা সিক্যুরিটি ফোর্সেসকা খুৎ থোক্লবদা লাস্কর-ঈ-তোইবগী মিলিটেন্ট অনী শীখ্রে।

পুলিসকী স্পোক্সমেন অমনা হায়খি, থাজনিংঙাই ওইবা পাউ অমা ফংবদগী সিক্যুরিটি ফোর্সেসনা সাউথ কাস্মিরগী পুলৱামা দিষ্ট্রিক্ট মনুং চন্না লৈবা অৱন্তিপোরাগী ব্রোবন্দিনা এরিয়াদা থিবা হুম্বগী থবক চথখি।

সিক্যুরিটি পার্সনলশিং চঙশিল্লকপা উবদা টেররিষ্টশিংনা নোংমৈ কাপশিল্লকখি। সিক্যুরিটি ফোর্সেসনসু খুৎ হন্দুনা নাকল অনী অকনবা মওংদা খুৎ থোক্লখি। থৌদোক অদুদা লাস্কর-ঈ-তোইবগী মিলিটেন্ট অনী শীখি।

ইরফান অহমদ দেগু অমদি তাসাদুক অমিন সাহ কৌবা লৈখিদ্রবা মিলিটেন্ট অনীনা লৈবাক্কী তোঙান-তোঙানবা মফমদা এটেক চথনবা হোৎনরম্বগী খুদম ফংলে।

ꯃꯥꯡꯈ/NATIONAL SAVINGS CERTIFICATE LOST

I have lost my National Savings Certificate issued by Imphal Head Post Office bearing A/C No. 4308364925 of Rs. 60,000/- (rupees sixty thousand) only while submitting Income Tax Statements, 2018-19 at my office, Sericulture Department, Government of Manipur, Lamphel, Imphal West on 20/2/2019. The concerned office failed to trace the same for last few month. If any finder kindly inform to the following address.

Sd/- Ngangom Rita Chanu
Naoremthong Khulem Leikai,
Imphal West, # 8794283630

HL-P/3020/15

CIN:U40101MN2013SGC008344

MANIPUR STATE POWER COMPANY LIMITED

Keishampat Junction, Imphal – 795001

Corporate Office:- Electricity Complex, Patta No. 1293 under 87(2), Khwai Bazar, Keishampat, Imphal – 795001, Manipur, INDIA

Fax : +91 385 2450702
Tele: +91 385 2450050

ꯈꯣꯡꯆꯠ / NOTICE

Imphal the 13th June, 2019

No. 4/1(2)/Apptt.(C&D)/MD-MSPCL/2019/588-400 : In pursuance of Secretariat : Power Department's letter no. 50/ 32 (1)/ 2014-Power (Pt-I) dated 13th June 2019, it is hereby notified for general information to all the intending and eligible candidates that the Written Examination for direct recuitment of various Group C & D posts in Manipur State Power Company Ltd (MSPCL) scheduled to be held with effect from 14th June 2019 to 20th June 2019 is now put on hold with immediate effect until further notification.

Sd/- N. Sarat Singh
Managing Director, MSPCL

HL-B/5480/14,15

GOVERNMENT OF MANIPUR
DIRECTORATE OF AYUSH, LAMPHELPAT

NOTICE

Imphal, the 14th June, 2019

No. 14/NAM/IDY/2016: The Directorate of AYUSH, Lamphelpat, State AYUSH Society, Manipur are going to observed 5th International Day of Yoga on 21st June, 2019 at Indoor Stadium, Khuman Lamphak, Imphal East, Manipur from 6.00 am to 8.00 am. About 1500 participants are expected to attend the observation.

All the Yoga practitioners, students and general public are informed to participate in the observation & requested to register themselves on or before 18th June, 2019 at Directorate of AYUSH during office hour.

Sd/-Dr. L. Promila Devi
Director AYUSH

HL-B/5484/15,16,17

MSPDCL

MANIPUR STATE POWER DISTRIBUTION COMPANY LIMITED
(3rd Floor, New Directorate Building near 2nd M.R. Gate, Imphal-Dimapur Road, Imphal, Manipur – 795001)
CIN: U40101MN2013SGC008343

NOTIFICATION

Imphal, Dated the 15th June, 2019

No.6/79/2018-19/MSPDCL (HR)/Pt-I: 647-52 In pursuance of Department of Personnel and Administrative Reforms (Personnel Division), Government of Manipur, Office Memorandum No. 23/89/2015-Misc/DP dated 12/06/2019 and Power Department, Government of Manipur letter no. 50/32(1)/2014-Power (Pt. I) dated 13/6/2019, it is hereby notified for general information to all and the candidates in particular that the Common Test 1, Common Test 2 and Common Test 3 scheduled to be held on 15/6/2019 and 16/6/2019 at various centres (Schools/Colleges) in Imphal as notified vide this office notification of even no. dated 11/6/2019 for recruitment of Group 'C' & 'D' posts has been put on hold with immediate effect and until further notice.

Sd/-L. Priyokumar Singh
Managing Director, MSPDCL

HL-B/5481/14,15